# ৬শুবা ওল ইন্দিয়া পুলিস অর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭–১৮
## নুপাগীদা বিএসএফনা, নুপীগীদা আইটিবিপিনা ৱিন্নর ওইখ্রে





ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৩ঃ ওল ইন্দিয়া পুলিস স্পোর্টস কন্ত্রোল বোর্দকী মীৎয়েং মখাদা মণিপুরনা য়ুম্বু ওইরগা মণিপুর পুলিসনা শিন্দুনা খুমন লম্পাক্তা চত্থরকলিবা ৬শুবা ওল ইন্দিয়া পুলিস অর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭–১৮ ঙসি লোয়শিনখ্রে। নুপাগী কাংলুপ্তা বি এস এফনা অমদি নুপীগী কাংলুপ্তুনা আই টি বি পিনা ৱিন্নর ওইখ্রে, বেষ্ট অর্চরনা নুপীগীদা বি এস এফকী সুখপ্রিৎ কোরনা অমদি নুপাগীদা আই টি বি পিগী বালজি য়াদভনা তাখ্রে। ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট, য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমদি পেরা মিলিটরিগী য়ুনিৎ ২৬কী শান্নরোই নুপী অমদি নুপা ৩৬০ শরুক য়ারিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা নুপীগী কাংলুপ্তা বি এস এফকী সুখপ্রিৎ কোরনা গোল্ড ৩, সিলভর ১ ব্রোঞ্জ ১ পুন্না মেদল ৫ অমদি নুপাগী কাংলুপ্তা আই টি বি পিগী বালজি য়াদভনা গোল্ড ২ অমদি ব্রোঞ্জ ১ পুন্না মেদল ৩ ফংদুনা বেষ্ট আর্চর তাখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী কাংলুপ্তা বোর্দর সেকুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)না ইন্দিভিজ্যুল মেদল ওইনা গোল্ড ৭, সিলভর ৫ অমদি ব্রোঞ্জ ৬ ফংদুনা ৱিন্নর্স ওইখ্রে। মণিপুরনা গোল্ড ৩, সিলভর ১ অমদি ব্রোঞ্জ ৩ ফংদুনা রন্নর্স অপ অমসুং সাস্ত্রা সীমা বালনা গোল্ড ২ অমসুং সিলভর ১ ফংদুনা সেকেন্দ রন্নর্স অপ তাখ্রে।

নুপাগী কাংলুপ্তা ইন্দো টিবেতান বোর্দর পুলিস (আই টি বি পি)না ইন্দিভিজ্যুল মেদল ওইনা গোল্ড ৫, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ৩ ফংদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে। বোর্দর সেকুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)না গোল্ড ৪, সিলভর ৪ অমসুং ব্রোঞ্জ ৩ ফংদুনা রন্নর্স অপ অমদি পঞ্জাবনা গোল্ড ৪ অমসুং সিলভর ৩ ফংদুনা সেকেন্দ রন্নর্স অপ তাখ্রে।

মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরম অমা ঙসি খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্তুনা মকোক মথং তারবশিংদা মনা লান্থোকখ্রে। থৌরমদুদা মণিপুর চিফ মিনিষ্টর এন বিরেননা চিফ গেষ্ট ওইনা অমদি মণিপুর পুলিসকী মকোক থোংবা কয়ানা শরুক য়াখি।

# ১৫শুবা মণিপুর ভেতরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৮
## সাইক্লোনগা কে এস সিগা ফাইনেলদা লম্বা থেংনরগনি



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৩ঃ মণিপুর ভেতরান ক্রিকেট এসোসিয়েসন, ইম্ফালনা শিন্দুনা টিম ৮না শরুক য়াদুনা ওরিয়েন্তেল কলেজ অমসুং মোদেল হয়ার সেকেন্দরি স্কুল গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১৫শুবা মণিপুর ভেতরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা সেমি ফাইনেলদা কে এস সি লম্বুলেননা চেম্প খাগেম্পলিবু রন ২৭তা থোইদুনা ফাইনেল চংবা ঙমখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দগা কে এস সি লম্বুলেনগা লম্বা থেংনরগনি।

ঙসিগী অরোইবা সেমি ফাইনেল কে এস সি লম্বুলেনগা চেম্প খাগেম্পলিগা শান্নবদা কে এস সিনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হান্না খনবগা লোয়ননা অপিবা ওভর ৩০গী মনুংদা ওভর ২৯.৫দা ওল আউৎ ওইরগা রন ১৫৮ স্কোর তৌদুনা মেটচ অসি মায় পাক্তুনা ফাইনেল চংবা ঙমখি। মসিগী পাউখুম ওইনা বেট্টিং তৌখিবা চেম্প খাগেম্পলিনা অপিবা ওভর ৩০দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৩১ স্কোর তৌবদগী মেটচ অসিদা মায়থিহৌখিবনি।

অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা কে এস সি লম্বুলেনগী নিংহোরনা বোল ৬০দা রন ৪১, ষ্টেনলিনা বোল ৩৬তা রন ৩২, লেনপুনা বোল ১৬তা রন ২৪ অমদি গৌমিনলুননা বোল ১৯দা রন ১৩ চেনখি।

বোল্লিং তৌখিবা ইবোবিনা ওভর ৬ লংবদা ৱিকেট ২, বব্লুনা ওভর ৩দা ৱিকেট ১ অমদি রতন, জোদিবা অমসুং বব্লুনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

অনিশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা চেম্প খাগেম্পলিগী বব্লুনা বোল ১৯দা রন ১৭, গুলসননা বোল ৩৪দা রন ১৭, বুল্লুনা বোল ২৬তা রন ১৬ অমদি মাইকেলনা বোল ৩৪দা রন ১৪ চেনখি।

বেট্টিং তৌখিবা কে এস সি লম্বুলেনগী অঙ্গুনা ওভর ৬তা ৱিকেট ৫ অমদি লুলুননা ওভর ৬তা ৱিকেট ৩ লৌখি।

মেটচ অসিদা অঙ্গুনা ৱিকেট ৫ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।

থা অসিগী ২৫দা শান্নগদবা ফাইনেল মেটচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দগা কে এস সি লম্বুলেনগা শান্নরগনি।

# ২২শুবা লসাল স্পোর্টস মীত ২০১৮ ফুটবোল টুর্নামেন্ট
## মেটচ অনিমক দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৩ঃ লৈমপোকপম খুনফম অপুনবা শান্নরোই লুপ (লসাল)না শিন্দুনা টিম ২৪না গ্রুপ ৮ থোক্লা খায়দোক্তুনা থা অসিগী ১৮দগী হৌদুনা লসালগী শান্নবুংদা চত্থরিবা ২২শুবা লসাল স্পোর্টস মীৎ ২০১৮ লেট এন চন্দ্রেশ্বর মেমোরিয়েল সেভেন এ–সাইদ ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ৱাই এ দি এ কাংসোইবীমপালগা পুলিস টিমগা গোল ১–১দা দ্রো চৎখ্রে, অনিশুবা মেটচতা আই দব্লিউ এস সি খুন্বোংগা মঙাল এফ সিগা গোল ৩–৩দা দ্রো চৎখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১১শুবা ঙসিগী অহানবা মেটচ ওইনা ৱাই এ দি এ কাংসোইবীমপালগা পুলিস টিমগা শান্নবদা নাকল অনিমক্লা গোল ১–১ চন্নদুনা দ্রো চৎখি। মেটচ অসিদা ৱাই এ দি এগী গোল নাওবনা মেটচকী মিনট ১০ চৎপদা চনখি। অদুগা পুলিস টিমগী গোলনা সিভাচন্দ্রনা মেটচকী মিনট ৪০ চৎপদা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১২শুবা ঙসিগী অনিশুবা মেটচতা মঙাল এফ সিগা আই দব্লিউ এস সি খুন্বোংগা মান্নবা মওংদা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা গোল ৩–৩দা দ্রো চৎখ্রে। মেটচ অসিদা মঙাল এফ সিগী গোল সনামচানা মেটচকী মিনট ১৯, পিজিৎ কুমারনা মেটচকী মিনট ৪১ অমদি চিঙ্খেঙাকপনা মেটচকী মিনট ৪৭ চৎপদা গোল অমমম চনখি। আই দব্লিউ এস সিগী গোল ৩ অদুনা বিদ্যাচন্দ্রনা মেটচকী মিনট ৩১, রাকেসনা মেটচকী মিনট ৩৯ অমদি এদিসননা মেটচকী মিনট ৪০ চৎপদা গোল অমমম চনখি।

মেটচ অসিদা মঙাল এফ সিগী থোইবু মেটচকী মিনট ৩২ অমদি আই দব্লিউ এস সিগী ইকবালবু মেটচকী মিনট ১৫ চৎপদা রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা হয়েংগী অহানবা মেটচতা এস দি সিগা থোইবা এফ সিগা অমদি অনিশুবা মেটচতনা এম আর সি এফ সিগা এফ সি বমদিয়ারগা লম্বা তৌনদুনা শান্নরগনি।

# ৪শুবা প্লেট টুর্নামেন্ট ২০১৮
## কে আই ৱাই সিনা কে এস দি ওবু রন ১৮৩দা থোইখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৩ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা টিম ২১না শরুক য়াদুনা ৪শুবা প্লেট টুর্নামেন্ট ২০১৮ ঙসিদগী লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে। ঙসি শান্নখিবা হৌদোকপা মেটচতা কে আই ৱাই সি ক্ষেত্রিগাওনা কে এস দি ও ক্যামগৈবু রন ১৮৩দা থোইখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অসিদা কে আই ৱাই সি ক্ষেত্রিগাওনা তোচ ঙমদুনা অপিবা ৪০দা ওল আউৎ ওইরগা রন ২৬২ স্কোর তৌখি। মসিগী পাউখুম ওইনা অনিশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা কে এস দি ও ক্যামগৈনা অপিবা ওভর ৪০দা ওল আউৎ ওইরগা রন ৭৯ খক্তমক স্কোর তৌবদগী মেটচ অসিদা মায়থিহৌখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা কে আই ৱাই সি ক্ষেত্রিগাওগী বেটসমেন অমিরনা বোল ৮৭তা রন ১৩৪, নিসিকান্তনা বোল ৩২দা রন ৫৮ অমদি এ হমিদনা বোল ২০দা রন ৩১ চেনখি।

বোল্লিং তৌখিবা কে এস দি ও ক্যামগৈগী তারিক অজিজনা ৱিকেট ২, কারিমনা ৱিকেট ৫, সবিরনা ৱিকেট ১ অমদি নৱাজনা ৱিকেট ২ লৌখি।

অনিশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা কে এস দি ও ক্যামগৈগী কারিমনা বোল ১৮দা রন ১৭, জহাঙ্গীরনা বোল ৯দা রন ১২ অমদি তিপুনা বোল ৫দা রন ৯ চেনখি।

বোল্লিং তৌখিবা কে আই ৱাই সি ক্ষেত্রিগাওগী হমিদনা ৱিকেট ২, কুর্বাননা ৱিকেট ২, অমিরনা ৱিকেট ১, নিসিকান্তানা ৱিকেট ১ অমদি কাবিলনা ৱিকেট ২ লৌখি।

মেটচ অসিদা কে আই ৱাই সিগী অমিরনা রন ১৩৪ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।

হয়েং শান্নগদবা মেটচ আর আর সি সি চুরাচান্দপুরগা অল–অলমীন লিলোংগা লম্বা তৌনরগনি।

# হিরো আই লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭–১৮
## আইজোল এফসিনা ইন্দিয়ান এরোসবু মায়থিবা পীখ্রে



আইজোল, ফেব্রুৱারি ২৩ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদেরেসন (এ আই এফ এফ)না শিন্দুনা হোম এন্দ এৱে বেসিস্তা চত্থরক্লিবা হিরো আই লীগ টুর্নামেন্টকী ঙসি রজিব গান্ধি ষ্টেদিয়মদা আইজোল এফসি অমদি ইন্দিয়ান এরোস টিম অনীনা লম্বা থেংনদুনা শান্নখিবা মেটচতা আইজোল এফ সি না ইন্দিয়ান এরোসবু গোল ৩–০দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা আইজোল এফ সিগী শান্নরোই এনদ্রৈনা মেটচকী ৭শুবা মিনটতা গোল ১ অমদি লালখৌনা ১৬শুবা মিনটতা গোল ১ চনদুনা আইজোল এফসিনা ইন্দিয়ান এরোসবু গোল ২–০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফতা আইজোল এফ সিগী শান্নরোই লালখৌনা ৮৭শুবা মিনটতা গোল ১ চনশিন্দুনা গোল স্কোরদা ৩–০ দা লৈহনখি।

ইন্দিয়ান এরোসনা য়াম্না কন্না আইজোল এফ সি গী গোলশিং অদু হন্দোক্লবা হোৎনরবসু গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা আইজোল এফ সি গী মখুৎতা মায়থিবা নঙখি।

মেটচ অসিদা মায়পাকখিবা আইজোল এফ সি না মেটচ ১৬ শান্নবদা মেটচ ৫ মায় পাক্লগা মেটচ ৬ দ্রো চৎলবা মতুং মেটচ ৫ মায়থিবা নঙদুনা পুন্না পোইন্ট ২১ ফঙদুনা ৬শুবা পোজিসনদা লৈরি। মেটচ অসিদা মায়থিবা নঙলবা ইন্দিয়ান এরোসনা মেটচ ১৭ শান্নবদা মেটচ ৪ মায় পাক্লগা মেটচ ৩ দ্রো চৎলবা মতুং মেটচ ১০ মায়থিবা নঙদুনা পুন্না পোইন্ট ১৫ ফঙদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মমৈদা লৈরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা মণিপুরগী নেরোকা এফ সি না মেটচ ১৭ শান্নবদা মেটচ ৯ মায় পাক্লগা মেটচ ৪ দ্রো চৎলবা মতুং মেটচ ৪ মায়থিবা নঙদুনা পুন্না মেটচ ৩১ ফঙদুনা লৈরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা মেটচ ওইনা হয়েংগী অহানবা মেটচতা ইষ্ট বেঙ্গল ক্লব অমদি চেন্নাই সিটি এফ সি অমদি অনীশুবা মেটচতা চর্চিল ব্রদর্স অমদি গোকুলাম এফসি শান্নরগনি।

| # | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Neroca FC | 17 | 9 | 4 | 4 | 19 | 12 | 7 | 31 |
| 2 | Minerva Punjab | 15 | 9 | 2 | 4 | 20 | 14 | 6 | 29 |
| 3 | East Bengal Club | 15 | 7 | 5 | 3 | 22 | 15 | 7 | 26 |
| 4 | Mohun Bagan | 15 | 6 | 6 | 3 | 23 | 12 | 11 | 24 |
| 5 | Shillong Lajong | 17 | 6 | 3 | 8 | 15 | 23 | -8 | 21 |
| 6 | Aizawl | 16 | 5 | 6 | 5 | 18 | 15 | 3 | 21 |
| 7 | Gokulam FC | 15 | 6 | 1 | 8 | 14 | 18 | -4 | 19 |
| 8 | Chennai City FC | 16 | 3 | 7 | 6 | 12 | 16 | -4 | 16 |
| 9 | Churchill Brothers | 15 | 5 | 1 | 9 | 15 | 24 | -9 | 16 |
| 10 | Indian Arrows | 17 | 4 | 3 | 10 | 13 | 22 | -9 | 15 |

# ৪শুবা এম সি এ ইলাইট টুর্নামেন্ট ২০১৮
## ৱাই দব্লিউ সিনা ব্লু হোকপু ৱিকেট ৩ থোইখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৩ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিন্দুনা টিম ১০ গ্রুপ ২ থোক্লা খায়দোক্তুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম, লুৱাংসংবমদা চত্থরিবা ৪শুবা এম সি এ দব্লিউ প্রহলাদা এন্দ দব্লিউ রমানন্দা ইলাইট টুর্নামেন্ট ২০১৮ ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা ব্লু হোক খুরাইবু ৱিকেট ৩দা থোইখ্রে।

চত্থরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১০শুবা মেটচ ওইনা ব্লু হোক খুরাইগা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগা শান্নবদা ব্লু হোক খুরাইনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হান্না খনবগা লোয়ননা অপিবা ওভর ৪০দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৭৫ স্কোর তৌখি। মসিগী পাউখুম ওইনা বেট্টিং তৌখিবা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা ওভর ৪০গী মনুংদা ওভর ৩৪.৫দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৭৬ স্কোর তৌদুনা মেটচ অসি মায় পাকখি।

মেটচ অসিদা অহানবা বেট্টিং তৌখিবা ব্লু হোক খুরাইগী বেটসমেন সামসননা বোল ৭৩দা রন ৪৮, বেকরনা আউৎ ওইদনা বোল ১৬তা রন ২৫, ওজিনা বোল ২০দা রন ১৯ অমদি সনাতোম্বনা বোল ৩৩দা রন ২১ চেনখি।

বোল্লিং তৌখিবা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী সুভাসচন্দ্রনা ৱিকেট ৩, বিঙসননা ৱিকেট ২, প্রিয়োকুমারনা ৱিকেট ২ অমদি কিষননা ৱিকেট ১ লৌখি।

অনিশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী বেটসমেন বিঙসননা আউৎ ওইদনা বোল ৩৯দা রন ৩৪, কিষননা বোল ১৬তা রন ২৩, প্রফুল্লোমনিনা বোল ১১দা রন ১৯ অমদি জিক্কোনা বোল ১৭তা রন ১৯ চেনখি।

বোল্লিং তৌখিবা ব্লু হোককী সামসননা ৱিকেট ৩, গৌতমনা ৱিকেট ৩ অমদি সন্দিপকুমারনা ৱিকেট ১ লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং শান্নগদবা মেটচ অমদা ফোর্স ক্ষেত্রিগাওগা পি টি আর সি পাৎসোইগা লম্বা থেংনরগনি।

# চালৌ কপ্তা এস টি টি (এ)গা এফ সি লম্লাইগা ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৩ঃ চালৌ য়ুথ য়ুনিয়ন ক্লবনা শিল্লগা টিম ২৪না গ্রুপ ৮ থোক্লা খায়দোক্তুনা থা অসিগী ৪দগী চালৌ য়ুথ য়ুনিয়ন ক্লবকী গ্রাউন্দদা চত্থরক্লিবা চালৌ কপ ৮শুবা লম্লাই কেন্দ্র ভিল্লেজ ৱাইস ৱিথ ইনভাইটিস ওফ অদর কেন্দ্র মেন্স ওপন সেভেন এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এফ সি লম্লাইনা এস টি টি (বি) সেক্তাবু গোল ৪–০দা মায়থিবা পিরম্লগা ফাইনেল চংবা ঙমখ্রে। থা অসিগী ২৫দা শান্নগদবা ফাইনেল মেটচতা এস টি টি (এ) সেক্তাগা এফ সি লম্লাইগা লম্বা থেংনরগনি।

চত্থরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এফ সি লম্লাইনা এস টি টি (বি) সেক্তাবু য়াম্না লাকচনা গোল ৪–০দা থোইখি।

মেটচ অসিদা এফ সি লম্লাইগী গোল ৪ এস হেরোজিৎনা মেটচকী মিনট ৭ অমসুং ৪৩ চৎপদা গোল ২ অমদি এম অবোইনা মেটচকী মিনট ২৬ অমসুং ৪৬ চৎপদা গোল ২ অমগা চনখি।

# নোংমাইচিং এরিয়া রেম স্পোর্টস মিট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৩ঃ নোংমাইচিং এরিয়া চিফ এসোসিয়েসন অমদি দিভলপমেন্ট কম্মিটি অনীনা শীন্দুনা নুমিৎ নিনি চত্থগদৌরিবা নোংমাইচিং এরিয়া রেম স্পোর্টস মিট ২০১৮ ঙসি ৱাইথৌ চিরু গ্রাউন্দা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন গী প্রসিদেন্ট পিঐচ দেবেন শর্ম্মনা অথোইবা মিথুংলেন, এরিয়া চিফ এসোসিয়েসনগী মেম্বর এস রোমেস কোমনা থৌরম মপু অমদি ৱাইথৌ ভিলেজ ওথোরিটিগী মেম্বর বিজয় না অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

পি ঐচ দেবেননা হায়–লমদম অসিদা খুন্দারিবা ফুরুপশিংনা অমনা অমবু থাজবা লৈরক্তবা অমদি ঐগী ঐগী ৱাখল খন্দুনা তংদু লৈতাদবা পুন্সি মরেন অমদা হিংলি। অসিগুম্বা অপীকপা অখুবা ৱাখল্লোন অসি সমাজ অসিদগী মাংহনখিদুনা লৈমিন্নরিবা ঐখোয় মশেন অমত্তা ওইনা হিংমিন্নবদা নহারোলশিংগী থৌদাং য়াম্না চাওই।

নহারোলশিংবু লাইরিক নিংথিনা তমহনবগা লোয়ননা শান্না খোৎনবদা পুক্নিং চিংশিনবা মথৌ তাই। মণিপুরদা নৌনা হাংলক্কদৌরিবা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসি মপানদগী লাকপা মীওইশিং ওইহনলোইশি। য়ুনিভর্সিটি অসিগী কান্নবা লৌদুনা মালেমনা মশক খঙবা ইরমদম ওইহনসি।

হনারোলশিংবু ময়াই কাবা চিংঞাক্তগী লাপ্পা থমদুনা মশা–মউ ফনা থমবা হায়বা অসিসু তঙাই ফদবা অমনি। কৈদৌনুংদা মহৈরোইশিংনা অরেম্বদা মতম খক মাংহল্লোইদৌবনি। সোসিয়েল মেদিয়া লান্না শিংজিন্নরোইদবনি। ইথক থোংবশিংদা মতম লৈবা খিবিক্তা নোল্লুক্লা চৎকদৌরিবনি হায়খি।

ঐখোয় মশেন অমনা অমবু থাজনদ্রিবা অসি থাদোক্লবগী মতম অদু য়ৌরক্লে। ঐখোয়না কনাগীসু লৌনম ৱাহৈদা থাজরোইসি। ইরমদম মণিপুরগী অপুন্বা শক্তমবু ঐখোয়না ঙাক্তুনা থমিন্নদুনা চাওখৎপা শান্তি লৈবা মালেমনা মশক খঙহনবদা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নসি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

স্পোর্ট মিট হৌদোকপগী অহানবা মেটচ অমা শান্নখি। টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না টিম ৪ না শরুক য়াখি। টিমশিং অদুদি ৱাইথৌ চিরু য়ুঠ ক্লব, থায়োং য়ুঠ ক্লব, তেপোই খরাম য়ুঠ ক্লব অমদি নোংকুৎ য়ুঠ ক্লব নি।




# ৬১শুবা সিসি মিত টুর্নমেন্ট য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৩ঃ ৬১শুবা সার চুরাচন্দ সিংহ কেসিএসআই, সিবিই মেমোরিয়েল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭–১৮ থা অসিগী ২৪ দা ইম্ফালদা লৈবা খুমন লম্পাক আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা অদু খুদোংচাদবা খরদগী য়ৈথোক্লে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৩ঃ থা অসিগী ২৫ দগী মার্চ ৩ ফাওবা মেন্স ষ্টেট লেভেল ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা এসোসিয়েসন অমদি ক্লবশিংনা ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনদগী ফোর্ম লৌরবা য়াগনি হায়রি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*